**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-05-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১২-০৫-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ‘ঐখোয়গী নর্সশিং, ঐখোয়গী তুংগী লন্বী, নর্সশিংবু শক্তি পীবনা পুন্সি কল্লি’ হায়বা হীরমদা মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মণিপুরগী মফম কয়াদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৬ ফাখি।

**অমসুং**

৩) বি.জে.পি ল্চিংবা হিমন্ত বিস্বা শর্ম অনিরক শুবা ওইনা ঙসি অসামগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। কুমসি চহীগী হীরমনা ‘ঐখোয়গী নর্সশিং, ঐখোয়গী তুংগী লন্বী, নর্সশিংবু শক্তি পীবনা পুন্সি কল্লি’ হায়বসিনি। কুমজা ১৯৬৫ দগী হৌদুনা ইন্তরনেসনেল কাউন্সিল ওফ নর্সেসনা চহী খুদিংগী লেদি ৱিট দ লেম্প হায়রগসু খঙনবা ফ্লোরেঞ্চ

নাইতিংগলগী মপোক নুমিৎপু ইন্তরনেসনেল নর্সেস ডে হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মণিপুরদসু সরকারগী অমদি লন্নাই সংস্থানশিংনা শিন্দুনা মালেমগী নর্সকী নুমিৎ পাঙথোক্কনি।

মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎনা লাকপদা কুমজা ২০২৫ দা নেসনেল ফ্লোরেঞ্জ নাইতিংগল এৱার্দ ফংখ্রবী জেনিমসকী নর্সিং সিস্তর লৈমপোকপম রঞ্জিতা দেবীনা হায়-হেলথ কেয়র সিস্তেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক নর্সশিংদা হোংলক্লিবা শিক্সাগী লমশিং ফংহনবা মখোয়বু শক্তি হাপ্পিবা অমসুং ত্রেনিং পীবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে। মহাকা হায়- মালেমসিদা ঙসি অহোংবা কয়া লাক্লে। লাক্লিবা অহোংবশিং অসি শিংনবা কয়াগা লোয়ননা থেংনবা তঙাইফদে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৬ ফাখি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নোঙাদা চনাদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই ৪ ফাখি। মখোয়না লুপ অসিদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা নহা অহুমসু কনবা ঙমহৌরে হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ককচিং জিলাগী ইরেংবন্দ হৱাইরৌ ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি(তাইবংঙানবা)গী মীওই অমা ফাখি। মঙোন্দগী তোঙান তোঙানবা খূৎলাই মরি, অহাংবা মেগজিন ৩৬, বোম অহুম, দিতোনেতর ১১, লেথোদ সেল মরি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু লিশিং ১,৯৯৩ ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তরুং গ্রেস কোলোনিদগী কে.সি.পি-অপুনগী মীওই অমা ফাখি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা সু গ্রুপতা য়াওদবা জোগাম লিবরেসন ফ্রন্ট (জেৎ.এল.এফ) হন্দিয়া রিজনগী মশানা মশাবু কম্মান্দর ইন চিফনি হায়জবা মীওই অমা শেল খাইবগা মরী লৈননা চুরাচান্দপুর পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা গেলজাং ভিলেজতগী

ফাগৎখি।

**ভেট (এল)ঃ** রাজ্যগী ভেতরিনরি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগনা হায়রি-ওকশিংদা নাগনবা অমদি য়ামা লোনগনবা লায়না অমা ওইরিবা ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভর(সি.এস.এফ)কী অহুমশুবা রাউন্দগী তিকা থাবগী থবক লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তগী হৌরগনি। বিভাগ অসিগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লায়না মখল অসিনা ওক লোইরিবা মীওইশিংগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা লাক্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা লাইভস্তোক হেলথ এন্দ দিজিস কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা রাজ্যগী ভেতরিনরি বিভাগনা তিকা থাদোকপগী থবক অসি পায়খত্তুনা লাক্লি। ওকশিংদা তিকা থাবক অসি রাজ্যগী মফম পুমমক্তা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি।

**স্পোর্টস (এল)ঃ** নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ইম্ফালদা একাদেমিক সেসন ২০২৬-২৭ কী ওইনা ক্লাস সেভেনদা মিং চন্নবগীদমক এজ ভেরিফিকেসন অমসুং মেদিকেল ফিটনেস তেষ্ট থা অসিগী ১৮ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। কেন্দিদেটশিংনা অয়ুক পুং ৮ ফাওবগী মমাঙদা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিগী প্রিন্সিপালদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। অকুপ্পা মরোল অকাদেমি অসিগী নোটিশ বোর্ডতগী খঙবা য়াগনি।

**অসামঃ** বি.জে.পি লুচিংবা হিমন্ত বিস্বা শর্ম অনিরক শুবা ওইনা ঙসি অসামগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম গুৱাহাতিগী খানা পারাদা লৈবা ভেতরিনরি কোলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। কেয়র তেক্কর মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিস্বা শর্মনা খানা পারাদা চত্তুনা মফম অদুদা শেম শারিবশিং য়েংশিনখি। তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ,

বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন শরুক য়াগনি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমসুং বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াগনি। মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনসু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। অসামদা এন.দি.এনা সাসন তৌরকপা হন্দক্কী অসিগা থারগা অহুম্লক শুবনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা অপুনবা সিট ১২৬ কী মনুংদা এন.দি.এনা সিট ১০২ ফংখিবনি। মসিগী মনুংদা বি.জে.পিনা সিট ৮২, অসাম গনপরিষদ অমসুং বোরোলেন পিপলস ফ্রন্টনা সিট ১০-১০ ফংখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীয়ামা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোত্থোকশিং লিকা শিজিন্ননবা অমদি মপাল লৈবাক্কী শেল শিজিন্নবা হন্থহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ভাদোদরাদা লৈবা সরদারধাম হোস্তেল শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা খ্বাইদগী চাউবা ইরাং অমা ওইরি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লৈবা ক অসিদসু চৈথেং পীরকপা য়াবগী থাজবা লৈ। মরম অদুনা, লৈবাক অসিগী মীয়ামা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা কা হেন্না মীপাল তাংদনবা আপিল তৌরি।

**এমপ্লোইমেন্টঃ** কেন্দ্রগী স্তেতিসতিক্স অমসুং প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্তেসন মন্ত্রালয়না হায়রি-মমাঙগী শেনবা চহীগী মরিশুবা ক্বাতরদা লৈবাক অসিগী থবক ফংদবগী চাং চাদা ৪ দগী ৪.৩ দা হেনগৎখি। মন্ত্রালয়না অর্বান এমপ্লোইমেন্ট রেটকী ওইনা চহী ১৫গী মখাদা লৈবা মীওইশিং চহী অসিগী জনুৱারিদগী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা চাদা ৬.৬ তা হন্থরকখি। মন্ত্রালয়না ফোঙবা দেতা অসিগী মতুং ইন্না চহী ১৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিং লেবর ফোর্স পার্তিসিপেসন রেটকী মতুং ইন্না চাদা ৫৫.৫ ওইখি।

**ইকোনোমিঃ** ভারতকী ইকোনোমি শেনবা চহী ২০২৬-২৭ তা চাদা ৬.৬ য়ৌরকবা য়াই হায়না এস.বি.আইগী রিসর্চ রিপোর্ট অমনা হায়রি। মালেমগী ওহনা চরাংনবা কয়া লৈবা অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লবসু ভারতকী গ্রোথকী চাং শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলক্কুনা কুমজা ২০২৬-২৭ কী অহানবা থাখাই ফাওবদা গ্রোথ রেট ৱাংলপা লৈরি। রিপোর্ট অদুনা হায়- নিংথম লৌরোক মরাং কাইনা পুথোকপনা চানা থকবগী পোৎলমশিং সপ্লাই তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। রিপোর্ট অদুনা হায়-শুংদোক্লিবা থাও অমসুং অতৈ পোৎলমশিংগী মমলদা হোংদোক হোংজিন তৌবনা ইনফ্লেসনদা অহোংবা লাকপা য়াই।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চুরাচান্দপুর মাইকৈদা ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক অথুবদা হৌননবা ৱারেপ নৌনা অমুক লৌখিবা, কামজোং জিলাদা লৈবা নাগাশিংনা খুন্দাবা খুল অহুমদা চথুখিবা এত্তেক্ট অদু ম্যান্মাগী লালহৌবশিংনা চথুখিবনি হায়বা ভিলেজ চিফকী ৱাফম অমদি অৱাং নোংপোক্কী নুপী অনি দেল্লিদা ইজৎ শোকা ফুখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

ম্যান্মারগা তাইনবা চুরাচান্দপুরগী কিলোমিতর ২৭ শাংবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবা হৌনবা ৱারেপ নৌনা অমুক লৌখ্রে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম অমসুং দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

অৱাং নোংপোক্কী নুপী অনি দেল্লিদা ইজৎ শোকা ফুখ্রে, চেন্নবা মরি মশক খঙলে, ফাদি ফাদ্রি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অনিশুবা

হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা ফোঙবা থেংনরি।

পোকফমদা- ঈ.সি.আইনা মণিপুর য়াওনা এস.আই.আরগী অহুমসুবা তাঙ্কক পাঙথোকবা শেম শাখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা অমিত শাহ উনখিবগী পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা কলমদা ফোঙলি।

কামজোং জিলাগী থৌদোক্তা মপানগী খূৎ য়াওবগী রিপোর্ট লৈতে হায়বা গৃহ মন্ত্রিগী ৱাফম, তাঙ্খুল নাগালোং ৱার্কিং কম্মিতিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী পাউ-দ পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমদি মণিপুরী এদিসন, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- সুভেন্দু অধিকারিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবগা বঙ্গলাদেশ বোর্দর ফেন্সিং তৌনবা থৌরাং পায়খৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- লৈঙাকা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রোংলাউবীগী লৈকাইশিং ঙাক শেনবা ঙমদ্রবরা, ত্রোংলাউবী মনিং লৈকাইগী লাঞ্জেন্নরিবা আই.দি.পিগী অনিগী য়ুমদা বোম ফিট তৌরল্লে হায়বা পাউনা বেনর হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ককচিংগী অঙ্গনৱাদি রিক্রুটমেন্টতা মোংবা চংলব্রা, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেলপরগী কেন্দিদেটশিংদা চমমহল্লে হায়না বেনর হেদলাইন তৌরি।

জ্লাই ১ দগী এম.জি নরেগাগী মহুৎতা ভি.বি-জি.রাম.জিনা মহুৎ শিল্লগনি হায়না- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী অমুল ফালকন ম্যান্মার য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। কামজোংগী তাঞ্খুল নাগা খুলশিংদা চথখিবা এত্তেক্ট অদুবু মৈতৈ এলাইয়েন্সনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসননা হায়রি-কামজোংদা থোকখিবা থৌদোক অদু সেক্যুরিতিগী অহোবা লৈবদগী হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**